**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-03-2025)**

**অফস্পা (এল)ঃ** মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী য়েংলগা কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য অসিদা আমর্দ ফোর্সেস স্পিপসিএল পৱারস এক্ট (অফস্পা) ১৯৫৮ কী মখাদা দিস্তার্ব এরিয়া ষ্টেটস মখা তানা থা তরুক অমগা শাংদোকখ্রে।

এদিসনেল সেক্রেটরি-পিয়ুস গোয়লনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-কেন্দ্র সরকারনা মনিপুরগী শান্তি রক্সাগী ফিভম কুপা য়েংশিল্লবা মতুংদা আমদ ফোর্সেস স্পিপসিএল পৱারস এক্ট ১৯৫৮ কী সেক্সন অহুমগী মখাদা মনিপুর পুম্বদা দিস্তর্ব এরিয়া হায়না লাউথোক্লে। অদুমওইনমক, তম্পাক্কী জিলা মঙা-ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিং জিলাগী পুলিস ষ্টেসন ১৩ না কোল্লিবা মফমশিংদি দিস্তর্ব এরিয়াগী মনুং চল্লোই। হায়রিবা হুকুম অসি এপ্রিল অমদগী চৎনবা হৌগনি।

**চৈরাউবা (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙসি মহৌশাগী চৎনবা অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা পাঙথোকখ্রে। অনৌ অপেন কয়াগী মথেল লুকোই শেমদুনা ঈশ্বরগী মফমদা কচ্চবা, ময়াম পুন্না চামিন থকমিন্নবা, খুদোলপোৎ পীনবা অমসুং নুংথিলদা অনকপদা লৈবা চৈরাউ চীং কাদুনা লাই খুরুম্বনা নুমিৎ অসিগা মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

নুমিৎ অসিদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, মণিপুরগী রাজ্যপাল-আজয় কুমার ভল্লা অমসুং মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সত্যবর্তা য়াওনা লুচিংবা কয়া অমসুং লুপ কয়ানা য়াইফ পাউজেল পারি।

শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবা, উগাদি, গুরিপর্বা, চেতিচান, চৈত্র সুক্লাদি, নবরেহ্ অমসুং চৈত্রা নবরাত্রিনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়- য়েনিং থা অমসুং অনৌবা চহি লাকপবু হরাউ তরামা ওকচবগী কুম্মৈশিং অসি ভারতকী হনাক খুল্লবা মখল মখাগী নাৎ অমসুং চৎনবীগী নিংথিজরবা অমত্তা ওইবগী শক্তম অদু উৎলি।

শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবদা পীবা পাউজেল অমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- নুমিৎ অসিনা মীয়ামদা হরাউ নুংঙাইবা, নুংঙাই য়াইফবা অমসুং মঙজরিবা মঙলান পুমমক মঙফাওনবা ওইরসনু। মীপুম খুদিংমক নাদ য়েক্তনা হকচাং ফনা লৈবা ওইসনু হায়রি।

শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবদা পীবা পাউজেল অমদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- চৈরাউবনা লাকপদা লমদম অসিদা অফবা তুংলমচৎ অমগী অনৌবা আশা পুরকপা ওইরসনু। য়াইফরবা নমিৎ অসিনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকবগীদমক অনৌবা ৱারেপ লৌবা, পুন্না থৌদাং য়ামিন্নবা অমসুং অফবা মায়ওনদা অনৌবা অহৌবা অমা পুরকপা ওইরসনু হায়রদুনা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা মরুপ মপাং ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্দুনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা মণিপুর অমা ওইহল্লসনু।

**ইদ (এল)ঃ** ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী ইদুল ফিতর কুম্মৈ, মনিপুরদসু হয়েং পাঙথোকবা শেম শান্নরি।

কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা মনিপুরগী মীয়াম মরুওইনা ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়-শেংলবা রামাদন থা লোয়রকপগা পাঙথোক্লিবা ইদুল ফিটরগী কুম্মৈ অসিনা য়াইফবা, হরাউ তয়াম্বা অমদি নুংশি চান্নবা পুরকপা ওইরসনু। কুম্মৈ অসিনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপশিংগী মরক্তা মচিন-মনাও ওইবগী মরী অদু হেন্না চেৎশিলহনবগা

লোয়ননা শান্তি পুরকপা ওইরসনু। মসিদসু নত্তনা মীওইবা খুন্নাইগী মরক্তা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্দুনা অমত্তা ওইবগী পাউজেল অদু পীরি। ঙসিগী মালেম অসিদা নুংশি চান্নবগী পাউজেল অসি য়াম মক মরুওই। কুম্হৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা মান্নবা ব্রাখল্লোন অমদি অমত্তা ওইবগী ফিরেপ অদু হেন্না চেৎশিলহনবা ওইরসনু।

কুম্হৈ অসিনা লাকপদা এম.এল.এ. য়ুমাম খেমচান্দ অমসুং কে. রোবিন্দ্রানসু লমদম অসিদা লৈরিবা মীতৈ-পাংগল ইচিল ইনাওশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মখোয়গী পাউজেলদা কুম্হৈ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা ইং-তপ্পা, নুংশি চান্নবা অমদি চাউখৎপা অমদি মচিন-মনাও ওইবগী মরী অদু হেন্না চেৎশিলহনবা ওইরসনু হায়রি।

**এক্সপো (এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারগী টেক্সতাইল মন্ত্রালয়গী দিবলপমেন্ট কম্মিস্নার (হেন্দলুম) গী শেন্থং মখাদা ষ্টেট হেন্দলুম এক্সপো (হটকরঘা মেলা) ঙসি ইম্ফালগী জি.এম. হোলদা হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ ১৪ নি চুপা চত্থগদবা মেলা অদু হৌদোক্লদুনা মনিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেদকী দিরেক্তর-ই.জিতেননা হায়-চৎলিবা শেনবা চহি ২০২৪-২৫ গী ওইনা মনিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটনা শিনদুনা পাঙথোকপা মেলানি। মনিপুরগী ওইনা নুমিৎ ৮ নি চুপা মেলা পাঙথোক্কনি। মসিগী মনুংদা দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলনা মেলা অনি অমদি কোরপোরেসন অসিগী মখাদা মেলা তরুক পাঙথোক্কনি। মহাকা হায়-ভারতকী মফম অয়াম্বদা পৱার লুমনা মহুৎ শিনখ্রে। খুৎনা শাবা হেন্দলুমগী পোৎলমশিং পুথোকপদা মনিপুরনা মাংজিল থারি। মসিমক লমদম অসিগী ফিশাবীশিংনা চাউথোকচনিংঙাইনি।

মনিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন

লিমিটেদনা শিনদুনা পাঙথোকপা মেলা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা কেন্দ্র সরকারগী টেক্সতাইল মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা ওফিস ওফ দ দিবলপমেন্ট কম্মিস্নার হেন্দলুমগী ৱিভর সার্ভিস সেন্টরগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর অমসুং হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট-প্রিয়াদরশি দারিপানচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। মেলা অসিদা তোঙান তোঙানবা হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফট আর্টিসানশিংনা শাবা পোৎলমশিং উৎলি।

**রামেশ্বর (এল)ঃ** য়েলহৌ ফুরুপ ওইরিবা মীতৈশিংনা থম্মোয় শেংনা অমনা অমগী মতেং পাংনবা অমসুং অমত্তা ওইনা পুনবগী ৱাখল্লোন অমদি হৈনবী থমসি হায়না সলাইচা পিবারেল পুন্সি মরুপকী পিবারেলসু ওইরিবা কৈরাউ কেন্দ্রগী এম.এল.এ. লৌরেম্বম রামেশ্বরনা ফোংদোকখ্রে। ৱাফম অসি নহারোল শিন্থু ক্লব ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীনা শিনদুনা ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবী কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা নোংমা পনবা মীফম হৌদোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি।

এম.এল.এ. রামেশ্বরনা মখা তারদুনা হায়-মনিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মনুংদা মীতৈ ফুরুপ অসি পুকিং লৌশিং, ৱাখল, থৌনা অমদি হোৎনবা কনবা য়াওনা অৱাৎপা লৈতনা তাইবং মপুনা শেন্বীরকই। মসিমকা মালেমগী লৈবাক কয়ানা লমদম অসিবু অমদি ফুরুপ অসিবু মশক খঙলিবনি। মহাকা হায়-অহল লম্মনগী পাউতাক লৌদুনা অমত্তা ওইনা পুনশিনবা অমদি তেংবাংনবগী হৈনবী থম্বা ঙল্লবদি চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইহনবা ঙমগনি।

**প্রাইজ (এল)ঃ** ষ্টুদেন্টস এদু কেয়ার সেন্টর-কৈশাম্পাৎ লৈমাজম লৈকাইনা ইমপৱারিং নোলেজ থ্রু এদুকেসন হায়বা পান্দমগা লোয়ননা চহি অসিগী জানুৱারী ১২ দা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেবেল মেথমেটিক্স এন্দ সাইন্স

কম্পিটিসন ২০২৫ গী মকোক মথং তারবা মহৈরোইশিংদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখ্রে।

হিয়াংথাংদা লৈবা কমখ্যা পেমটন কলেজতা পাঙথোকখিবা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা নোয়িং এভিয়েসনগী ফেক্লতি-ৱিলসন হাউবম, সোসিএল ৱাকর-ময়েংবম রঞ্জিৎনা মরুওইবা মীথুংশিং ওইখি। থৌরম অদুদা মকোক মথং তাখ্রবা অমদি কন্সুলেসনগী মনা ফংলবা পুন্না মহৈরোই ৩১৩ সার্টিফিকেট অমদি অচম্বা খুদোল পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

**ফাউন্দেসন (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী চরাংপাৎ মাকলংদা লৈবা কে. ইবোতোম্বী কলচরেল একাডমী (টিকা) গী ১৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-কেটচ দ রেন কেম্পেন চত্থরকপদগী হৌখিবা চহি ৭-৮ অসিদা তোঙান তোঙানবা ঈশিং থম্ফমশিংদা ঈশিং ক্যুবিক লিতর বিল্লিয়ন ১১ য়োকশিনবা ঙমলে।

অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোকখিবা প্রধান মন্ত্রিগী মনকি বাট, পুকিংগী ৱা থৌরমগী ১২০ শুবা ইপিসোদতা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- সরকার অসিনা খ্বাইদগী মাংজিল থানা মীৎয়েং থল্লিবা অসি খ্বাইদগী লাইরবা মীওই ফাওবা খ্বাইদগী ফবা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা শোয়দনা ফংহনবা অদুনি।

প্রধান মন্ত্রিনা পরিক্ষা পে চরচা য়াওনা মহৈরোইশিংগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াসু পল্লদুনা স্কুল, সংস্থান, সাইন্স সেন্তরশিংনা সম্মর এক্তিভিতিজ পাঙথোক রবদি মাই হোলিডেজ এপপতা শোইদনা সিয়ার তৌবীয়ু হায়খি। হন্দক্কী কালেন ছুতি অসিগীদমক মাই ভারতকী অখন্নবা কেলেন্দর অমা শেল্লে হায়রদুনা মদুদা য়াওরিবা ৱাফম কয়ামরুম প্রধান মন্ত্রিনা পনখি। মহাকা হায়- মাই ভারতকী ষ্টদি টুরদগী জন ঔসাদি কেন্দ্রনা মতৌ করমা থবক পাঙথোকই হায়বা খঙবা ঙমগনি।

ভাইব্‌রেন্ট ভিলেজ অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা ঙমখৈদা লৈবা খুঙ্গংশিংগী নুংঙাইরবা এক্সপরিয়েন্স লৌবা য়াগনি। কলচর অমসুং স্পোর্টস এক্তিমিতিজদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়খি।

প্রধান মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-ফি-রোল অরেম্বদা মাঙহনবগী থৌওংনা মালেম শিন-থুংবদা অচৌবা নুংনাংনিংঙাই ওইহল্লে হায়রদুনা ফি-রোল অরেম্বদা মাঙহনবা অসি অচৌবা শিংনবা অমা ওইরে৷ ঙসি অকাশবানিগী থোংদা শন্দোকখিবা মহাক্কী ১২০ শুবা মন-কি-বাট থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়-ভারত্তা শিজিন্নদ্রবা ফি-রোলগী রি-সাইকল তৌবগী চাং চাদা অমা ফাওবা য়ৌবা ঙমদনা লৈরিবা অসি নুংনাংনিংঙাই ওই। মহাকা হায়-ভারত অসি মালেমগী ওইনা শিজিন্নদ্রবা ফি-রোল খ্বাইদগী য়ামা মাঙহনবা অহুমশুবা লৈবাকনি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহারাস্ত্রগী নাগপুরদা লৈবা সমরুতি মন্দিরদা চৎতুনা আর.এস.এস. হৌদোক্লম্বশিংগী নীংশিং খুভমদা শ্রদ্ধঞ্জলি কৎখ্রে।

থৌরম অদুদা আর.এস.এসকী লুচিংবা মোহন ভগবত, কেন্দ্রগী মন্ত্রি-নিতিন গদকারি, মুখ্য মন্ত্রি-দেবেন্দ্র ফরনাবিচ অমসুং আর.এস.এসকী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

ডা: কেসব কেসব়রনা ইং ১৯২৫ তা হৌদোকখিবা সঙ্ঘা অসিগী চহি ১০০ শুরকপগী কুমওন থৌরমসু চহি অসিদা পাঙথোক্কদৌরি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না দিক্সা ভুমিদা চৎতুনা ডা: বি.আর. অম্বেদকরগী মফমদসু শ্রধাঞ্জলি কৎখি।

প্রধান মন্ত্রিনা নাগপুরগী মাধব নেত্রালায়া প্রিমিয়ম সেন্টর শানবা যাত্রাসু হুনখি। লোয়ননা সোল্লর দিফেন্স এন্দ এরোস্পেস লিমিটেদ নাগপুরগী লোইটরিং মুনিসন টেষ্টিং রেঞ্জ অমদি রনৱে ফেসিলিতিসু শঙ্গাখি।

তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা ছাতিসগরগী বিলাসপুর জিলাদা লুপা কোতি লিশিং

৩৩,৭০০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং খরগীনা যাত্রা হুনখি, খরগীনা শঙ্গাখি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা-পৱার, লম্বী, রেল, থাউ অমসুং গ্যাস, শিক্ষা অমসুং হাউজিং য়াওরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-ছাতিসগরগী নক্সলাইটনা শোকহল্লবা মফমশিংদা তুং কোইবা শান্তিগী মতম লাক্লে। মহাকা হায়-রাজ্য অসিগী মনুং হুনজিনবা ত্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা হকশেল, লম্বী-থোং, মৈ অমসুং মোবাইল নেটৱার্ককী খুদোংচাবা ফংহন্নবা থবক কয়া পায়খৎলি। হ৻দক্তসু নক্সলাইটকী ইরাং লৈবা মফমশিংদা স্কুল কয়া নৌনা মহৈ তম্বা হৌরে।

শ্রী মোদিনা হায়-ত্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎনবা ধরতি অবা জন্ন জাতি উৎকরস অভিয়ান হৌদোক্লে। মসিগী মথক্তা খ্বাইদগী শোত্থরবা ত্রাইবেল কাংলুপশিংগীদমক পি.এম. জন্ন-মন য়োজনা পায়খৎলি। থৌরাং অসিগী মখাদা লুপা কোতি কয়া চংনা ত্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা মফমশিং শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎলি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ছাতিসগরগী ইমুং খুদিংমক সরকারনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী কান্নবা ফংহন্নবা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা হোৎনবা য়াবা হোৎনগনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা গ্রামিনগী বিনিফিসরি লাখ অহুম হেনবদা নৌনা শারবা য়ুমশিংগী ছো খুৎশিন্নখি।

**ধনকর ঃ** উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা হায়রি-মালেমগী অইং আশাগী খল কায়রক্লিবা অসি থেংননবা হোৎনবদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিং খুৎশমনা থবক পায়খৎমীন্নদুনা তুং কোইনা অকোইবগী খল কায়হন্দনা থমবা অমসুং শেল থুমগী চাউখৎপা পুরকবা পুন্না থবক পায়খৎমীন্নবা চংই।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা নেসনেল কনফরেন্স ওন ইনভাইরোনমেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা শ্রী ধনকরনা হায়-অকোইবগী ফিভম ঙাক শেনদুনা থমবা

মীপুম খুদিংমকা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়-অকোইবগী ফিভম শোকচিল্লকপদগী খুদোংচাদবা মায়োকরিবশিং অসি লন্নাই মীওই কাংলুপ নৎত্রগা লৈবাক অমখক্তনা কোকহনবা ঙমলোই।

**য়ুহাঃ ম্যান্মার ঃ** ম্যান্মারদা রিক্তর স্কেলদা ৭.৭ য়ৌনা অকনবা য়ুহার হাখিবা অদুদা শিখিবা মী মশিং লিশিং ১,৬৬৪ শুরে। লৈবাক অদুগী লান্মীনা লুচিংবা সরকারনসু অশোকপা মশিং লিশিং ৩,৪০৮ শুরে হায়না লাউথোকখ্রে। হৌজিক মী ১৩৯ থিবা ফংদ্রি। হৌজিক ফাওবদা পাউ খোমজিনবা লোইদ্রিবনা শিবগী মশিং হেনগৎলবা য়াই হায়রি। খ্বাইদগী মীশি মীনা থোক্লিবা অসি ম্যান্মারগী অনিসুবা খ্বাইদগী চাউবা সহর মন্দলেদনি। সহর অসি য়ুহার হাবা অদুগী ইপিসেন্টরগা খ্বাইদগী নকবা মফমনি।

ঙসিসু ম্যান্মারগী মন্দলে মনাক্তা রিক্তর স্কেলদা ৫.১ কন্না অমুক হন্না য়ুহা হাখ্রে। ইরাই নুমিৎতা মেগনিচুদ ৭.৭ কন্না য়ুহা হাখিবা অদুগী মখা তারকপা আফতর সোকশিংগী মনুংদা মসিনা খ্বাইদগী নৌবনি।

লৈবাক অসিদা লন্থী থোং নমথখিবা, ই-পাউ ফজনা ফাওনবা ঙমদবা অমসুং মুকবগী ফিভম লৈবনা মী কনবগী থবক চত্থবদা চাউনা অপনবা থোক্লি।

অমরোমদা, য়ুহা হাবগী অৱাবা মায়োকরিবা ম্যান্মারদা তেংবাংগী পোৎলমশিং পীনবগীদমক ভারত নেভিগী জহাজ অনি ঙসি অন্দমান এন্দ নিকোবর কম্মান্দদগী য়াঙ্গোনগীদমক চৎখ্রে। তেংবাংগী পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা-ফিরোল, চান্ন থকবা পোৎলমশিং, থকবা ঈশিং, হিদাক লাংথক অমসুং অতৈ পোৎলমশিং য়াওরি।

ঙরাংসু ইর্ষ্টন নেভেল কম্মান্দনা খুদক্কী ওইবা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়াওবা আই.এম.এস-সতপুরা অমসুং সাবিত্রি থাখিবনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অহানবা শামুরৌ চিগোং ত্রোফি ভিলেজ ওপন ফুটবোল

টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-এস.এল.এফ.সিনা এম.আই.য়ু.এফ.সিবু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ৮-৭ তা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লিগ ক্রিকেটকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা দিল্লি কেপিটেলসনা সন রাইজরস হায়দ্রবাদপুর ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে।

হৌজিক রাজস্থান রোয়েলস অমসুং চেন্নাই সপুর কিংস হৌজিক শান্নরি।